
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ মৈপোকপী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ





হরা-কংখু (এজমা)



লাইচাক থুংবা (Leucoderma)

**অশাংবা** তিঞ্জ্বং কুংনা পানবা যূম অমদি ইঞ্জোলগী অকোয়বদা শা-ষণ চঙদনবা শন্বল ওইনা থান্নবা মৈপোকপী হায়না খঙনবা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নরবসু পাম্বী অসিদা য়াওবা হিদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক্না শিংথানীংঙাই ওই। মৈপোকপী পাম্বী অসি ইংলিসতা পৃক্লি পিয়র (Prickly pear), বেঙ্গোলিদা নাগফানা (Nagphana), গুজরাটিদা চোরহাথালো (Chorhathalo), হিন্দিদা হাথাথোরিয়া (Hathhathoria) নৎত্রগা নাগহানা (Naghhana), মালায়ালমদা পালাকাকালি (Palakakkali) নৎত্রগা নাগামুলু (Nagamullu), কর্নাদা পাপাসকালি (Papaskalli) নৎত্রগা চাপাতিগালি (Chappatigalli), হিমাচলিদা নাগফান (Nagphan) নৎত্রগা চীতরথোর (Chhittarthor), মারাথীদা চাপাল (Chapal), ওরিয়াদা নাগোফেনিয়া (Nagophenia), সংস্কৃটতা মাহাব্রিক্সা (Mahavriksha) নৎত্রগা ভজরাকান্তাকা (Vajrakantaka), টামিলদা নাগাথালি (Nagathali) নৎত্রগা সাপাথীকালি (Sappathikalli), চাইনিজদা জিয়ান-রেন-জাঙ (Xian Ren Zhang), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ওপুন্সিয়া দিলেনী (Opuntia dillenii Haw)* নৎত্রগা *কেক্তস ইন্দিকস (Calctus indicus Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং *কেক্তেসী (Cactaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। মৈপোকপী পাম্বীগী ইস্পিসিস দিলেনী হায়বসি অফাওবা বোটানিষ্ট জোন জেকোব দিলেন হায়বসিদগী থোনখিবনি অদুগা মদুগী জেনেরা ওপুন্সিয়া হায়বসিনা এদ্রিয়ান হার্দি হাওরথ (১৭৬৮-১৮৩৩) না কুমজা ১৮১৯দা থোনখ্রবা মতুংদা পাম্বী অসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অসি *ওপুন্সিয়া দিলেনী* হায়না কৌখ্রে। মৈপোকপী পাম্বী অসিগা মশক য়াম্না মান্নবা অতোপ্পা পাম্বী অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংনা ওপুন্সিয়া ইনর্মিস (O. inermis (DC) DC) নৎত্রগা ওপুন্সিয়া স্ত্রিক্তা (O. Stricta (Haw) Haw) হায়না কৌই লোয়ননা খরা পীক্লপ তৌই অমসুং তিঞ্জ্বং হেন্না পাল্লি।

রোক্সবর্গ (Roxburgh) হায়রিবা অফাওবা বোটানিষ্ট অসিনা কুমজা ১৮৩২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না মৈপোকপী পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়না পীজরবসু ৱাট (Watt) না কুমজা ১৮৯১দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্নদি মৈপোকপী পাম্বী অসি অমেরিকাদগী হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পাউদমখি। অমবু ওইরবসু অতোপ্পা অমবু ওইরবসু মৈপোকপী পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী অশাবা ত্রোপিকেলগী মফমশিং অমসুং মিটর ১৫০০ ৱাংবা হিমালয়গী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌই।

মৈপোকপী হায়রিবা পাম্বী অসি জেরোফাইটিক (Xerophytic) হায়বদি অশাবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। নোং তারকপা মতমদা ঈশিং অদু পাম্বীগী মশাদা চুপশিন্দুনা থল্লগা নোং তাদবা অমদি ঈকং থোকপা মতমদা ঈশিংদু শীজিন্নদুনা পাম্বী অদু হিংবা ঙম্মী। য়াম্না কংবা মফমদা হৌবা ঙম্ন বগীদমক্তা মৈপোকপী পাম্বীগী মনা অদু তিঞ্জ্বং ওইনা ওন্থোকখিদুনা পাম্বীদগী ত্রান্সপিরেসন তৌদুনা ঈশিং মাঙখিগদবা অদুদগী কনবা ঙম্মী।

পাউদমগী মতুং ইন্না মৈপোকপী পাম্বীদা ঈশিংগী চাং অসি চাদা ৭৮ রোম য়াওই। মৈপোকপী পাম্বীগী মহে অদু খুবীমুক চাউনা মতুম তায় অমসুং মনুংদা নপ-নপ লাওবা ঙাংতক তৌবা মহী অমা য়াওই। হায়রিবা মহী অদুগী চাদা ১০.৮না সোলুবল সোল্ডিস, চাদা ৬.৩৬না এসিদিটি, চাদা ৫.৪১না টোটেল সুগরস, চাদা ০.১১না টেনিন্স অমসুং চাদা ০.২৪না পেক্তিনশিং য়াওই। পাম্বী গ্রাম ১০০দা ভিটামিন সী অসি মিলিগ্রাম ১০.৩৮ য়াওবগী পাউদম লৈ। মৈপোকপী পাম্বীগী মহৈদা প্রোটিন গ্রাম ০.৪৫, ফোসফোরস গ্রাম ০.০২৫, পোটাসিয়ম গ্রাম ০.৪৫৮, কেলসিয়ম গ্রাম ০.২৪২, মেগনেসিয়ম গ্রাম ০.২৮৮ অমসুং আইরন গ্রাম ০.০০৭ অসিনচিংবশিং অসিসু য়াওই।

মৈপোকপী পাম্বীগী মহে অসি মীওইবনা চাবা য়াই অমসুং মহে-মরোং লোক্ত্রিঙৈ অমসুং চিঞ্জাক ৱাৎপা মতমদা মহুৎ শিনবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না মৈপোকপীগী মহৈদগী মীওইবনা পাম্না থক্লবা য়ু মখল অমা শুংনৈ। মহে অসিদগী জাম (Jam & Jilly) মখল অমা শেমদুনা চানৈ। মৈপোকপীগী মহে অদুদগী য়াম্না ফজবা মচুঅমা লৌথোকপা য়াই অমসুং মদু অচা-অথক কয়ামরুম মচু শংবদা শীজিন্নৈ। অমুনবা মহৈদা বিটানিন (Betanin) অমসুং আইসোবিটানি (Isobetanin) গী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না চিঞ্জাকশিং মচু শংবা অমসুং মখোয়শিং অদু মতম শাংনা লীদুনা থম্বদা (Preservative) য়াম্না খুদোং চহল্লি। পাম্বীগী মশাদা য়াওরিবা তিঞ্জ্বং অদু লৌথোকখ্রগা শা-ষণগী শজিক অমা ওইনা পীজনৈ। পাম্বীগী মহৈদগী ইনবা মুক অমসু শেম্নৈ।

য়াম্না কুইরবা মতমদগী মৈপোকপী পাম্বী অসি অনা-লায়েং কয়ামরুমদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। মৈনা পোকপদা পাম্বী অদু শুগাইরগা থোম্বদা মৈশা অদু থুনা ঈংথহনবগী মথক্তা উনশা অদুসু মহৌশাগী মওংদা থুনা হঞ্জিনহনবদা মতেং পাংবা মরম্না পাম্বী অসিবু ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মৈপোকপী হায়না কৌখিবা শোয়দনা ওইরমগনি। মৈপোকপী পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা অনংবা মহী অদুনা মীৎ উইশিল্লগা মথক্তা চাং নাইনা তৈবদা মীৎ উবগী চাং হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। অরুম-লাইহৌ তৌবদসু হায়রিবা মহী অদুনা লাইবক অমসুং হকচাংদা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। পাউদম অমগী মতুং ইন্না মৈপোকপী মহে শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা মীওইবগী মশাদা ঈ ৱাৎপা (এনিমিয়া) অসি ফহনবা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা চাকখাউ চাথৎপা অমসুং মশিঞ্জা চাউথোকপদসু লায়েংনৈ। লাইচাক থুংবা (Leucoderma) দসু হায়রিবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনসু লায়েংনৈ। মৈপোকপী পাম্বীগী লৈ অদু শুগাইরগা পীজবদা হরা-কংখু (এজমা) অসি ফহনবগী পাউদমসু লৈ। মৈপোকপী পাম্বীগী মরা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা খুদক্তা ওথোকহন্দুনা চিঞ্জাক্তা হু কাবা (Food Poisoning) অদু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ।

# লাইশ্রম নবকিশ্বর অমসুং মনা-মশিংগী লায়েং

ডা. খোইস্নাম রঞ্জিৎ

**মশক থোকপা** শিংথানীংঙাই ওইবা তোপ তোপ্পা থবক থৌরম কয়া তৌবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মখাদা লেমজনীংঙাই ওইরবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা মরিশুবা সিভিলিয়ন এৱার্দ 'পদ্মশ্রী' অসি তোঙান তোঙানবা হীরমদা চহী খুদিংগী পীদুনা ঙসি ফাওবা কুমজা ১৯৫৪দগী চথদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টমক্না খুৎশিন্নরিবা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংবা অরাইবা নত্তে। কখোকপা হায়বসিদা যূম্ফম ওইরগা শিনফমদুদা থৱায় হকচাং পূম্নমক লুপশিন দুনা তুংগী মীরোলগীদমক ফিদমগী মশক ওইরবা কয়া থন্বীরম্লগদবা মপান নাইদ্রবা দান কয়াশিং অদু উরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইকায়খুম্নবা উৎতুনা 'সমান পত্র' অসি পীবনি। মনা ফংগদৌরিবা মীওইসি কাঙলূপ-ফুরুপ, অতোন-অতা খায়দে। খুদম ওইনা ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা মীনসু ফংবা য়াই। তৌবতবু কন্ত্রিব্যুসন অদুদি ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী নাগরিকশিংগীদমক ওইগদবনি।

উপাধি অসিবু পীননবা খনগৎলবা হীরমশিং অদুদি - আর্টস, এদ্যুকেসন, ইন্দষ্ট্রি, লিটরেচর, সাইন্স, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসল সাইন্স অমসুং পব্লিক এফেয়রসনি। টোপিক অসিগা মরী লৈননা মেদিসিনগী মতাংদা মনা অসি পীগদৌরিবা হীরমশিং অদুনা - মেদিকেল রিছার্স, স্পিসিয়েলাইজেসন আয়ুর্বেদ, হোমিওপেথি, সিধা অমদি এল্লোপেথিনি। হীরমশিং অসিগী অমদা হেক্তা থৱায় হকচাং য়াওনা কখোল্লবা মতিক চারবা মীওই অদু খনগৎলগা পীবনি।

'পদ্মশ্রী' মিংথোল ফংবিরবা ওজা শ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর সিংহ - হর্বেল মেদিসিন হায়বদি ফিতোথেরাফি হায়নসু খঙনবা য়াবা অসিনা কিদনিদা নূং লৈবশিংবু করম্না লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্বগে হায়বদুগী মতাংদনি। লায়েং পথাপসিমক য়াম্না লীরবা মতম, চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নরক্লবা খুদম ওইনা লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবগী ৱারী ৱাখোঙ ফাওবা লৈরি। লায়েং পরিংশিং অসিদা য়াওরিবা 'সিধা' হায়রিবসিমক মহাদেবনা মহাক্কী নুপী পার্বতিদা শন্দোক্না তাক্তুনা খঙহনখিবা, পার্বতিনা অমুক মসিগী জ্ঞান পূম্নমক মচানুপা মুরুগাদা শন্দোক্না তাক্তুনা খঙহনবীবা, মুরুগানা মাগী শিষ্য ময়ামশিংদা তাক্তুনা খঙহনখিবা অদুদগী মখোয়না অমুক মীওইবা কাঙলূপশিংদা জ্ঞানশিংসি শন্দোক্না তাক্তুনা লায়েং পথাপ অসি ওইরকখিবনি হায়না ইদুনা লৈরি। অমরোমদা ত্রেদিস্নেল মেদিসিনগী মতেংনা লায়েং পথাপ শীজিন্নবিরিবা ফিজিসিয়নশিং অসি অঙনবা মতমদা 'কবিরাজ' হায়নসু খঙনরম্মী। তশেংনমক মিংথোনসিমক কৌনরম্বগী মতাংদদি অসুম্না হায় - নিংথৌ পাল্লিঙৈ অরিবা মতমদা মনা-মশিংগী হীদাক লাংথক্না লায়েং পথাপসিদা চঙশিল্লিবা মীওইশিংসি ইন্দিয়াদা 'কবি' হায়না কৌনৈ। তৌবতবু মখোয়শিং অসি অখন্নবা নিংথৌ অমদি নিংথৌগী ইমুং মনুংশিংসিগী মীওইশিং অসি মখোয়না লায়েংগদবনি, রোয়েল কোর্ট হায়বদি রাজমহলদা লৈদুনা। মরম অসিদগী মখোয়বু 'কবিরাজ' (নিংথৌবু লায়েংবা মী) হায়দুনা মিংথোনসি পীদুনা ইকায় খুম্নখিবনি। মরু ওইনা মসি ইন্দিয়াগী নোংপোকলোমদা লৈবা বেঙ্গল, অসাম, ওরিষা, বিহারনচিংবদা কৌনবা মিঙ্গৌনি।



হৌজিক্তি মিঙ্গৌ অসি কৌনখিদ্রে। তাসু তানদ্রে।

অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ঙসিদি লায়েং পথাপ অসি হৌজিক হৌজিক চাওখৎপদা খম থেংলবসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরক্লিবা অমদি ওইরক্লি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মতুং ইন্না চাদা মরিফুদি মালেমগী ওইনা হার্বেল রেমিদিজশিংসি শীজিন্নৈ হায়না ফোঙদোক্লি। চাওখৎলে হায়রিবা অমেরিকা নৎত্রগা ৱেষ্টর্ন সিভিলাইজেসন্দসু মসি সী এ এম হায়বদি কমপ্লিমেন টরি এন্দ অল্টর্নেটিভ মেদিসিননি হায়না লৌই। হৌজিক্তি হার্বেল মেদিসিন এক্সপার্টশিংনা তাকপীবদগী ময়াম্না খঙনরিবা সাইট ইফেক্ট লৈতে হায়রিবা হার্বেল মেদিসিন অসি ফত্তে হায়বদি য়াররোই।

মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনথুংনা খঙনরবা ওজা লাইশ্রম নবকিশ্বর - হার্বেল মেদিসিন এক্সপার্টনি। কুমজা ১৯৩৪দা শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক্তা লৈবা লাইওইখ্রবা লাইশ্রম গৌরমনি অমসুং মমাইবেম্মা ধনীনা পোকপীরম্বনি। লৈত-লায়র ইমুংদগী হৌরকখিবা, গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুলগী ওজা মচা অমা ওইবিরম্বদগী মীয়াম্না ওজা-ওজা হায়না খঙনবিরি। অঙাং ওইরিঙৈদা ঈশিং মরীদা নূং লৈদুনা অৱা চৈথেং ঙন্তা ফংলকখিবগী ৱারী, মদুদগী মপাইবুংঙোগী লিচিং মখাদা মনা-মশিংগী লায়েংসি চথবা হৌরকখিবসি ওজানা ইহান হানবা ওইনা মশাগী চহী ২৬ শুবদগী নূংগী লায়েংসি হীদাক থাদুনা চাংয়েং তৌবা হৌরকখি। তাইবঙ মপূগী থৌজালদগী মায় পাক্তুনা অনাবা কয়া মশীং থিঙমদনা মতমদুদগী ঙসি ফাওবা লায়েংবা লেপ্তুনা লাকপীরিবসিনি। পৈশা চঙনা অমদি থৱায় ৱানা থাঙ থাদুনা লায়েংগদবদগী অনাবা কয়া কনবীরি। হরাউ নুংঙাইজবগী পাউতনা নুংতিগী চেফোঙ পাউচে কয়াদা লেপ্তুনা অনাবশিংনা হাপলি। অঙকপনি নোংমা কাংদনা লেপ্তুনা হাপ্পা পাউ অমা হায়বা তারগদি ওজাগীসিনা অহানবা ওইরে। অসিগুম্বা তোপ তোপ্পা শিংথানীংঙাই ওইরবা অনা লায়েং অসিদনি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ওজাবু কুমজা ২০০১দা 'পদ্মশ্রী' পীদুনা ইকায়খুম্নখিবসি। ইন্দিয়াগী ওইনা মনাসি ফংখিবা ২৮৪০গী মনুংদা শ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর মণিপুরগী ওইনা কুনশুবা মনা অসি ফংবা মীওইদু ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইকায়খুম্নখ্রে। চাউথোকচনীংঙাই, লেমজনীংঙাইনি, ফিদম্ন ীংঙাইনি। হোৎনবা লেপত্রবদি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইবা ঙম্মী হায়বদু ওজানা খঙহনবীবনি।

কৈনা তোকপা পোকপা ওইথোক্তে, ওজাগী মীয়োক মীচান, লমচৎ-ব্যবহারদুমক মচাইবুংঙোনা মহুৎ শিন্দুনা নোকমী-নোকমী তৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরি। অহল ওইশিল্লকপা অমদি হকচাংগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবনা মচাইবুংঙো সুধাকর (শামু) দা বিদ্যা পূম্নমক শিন্নদুনা লায়েংসি কন্ননবা হোৎনবিরিবসি থাগৎচনীংই। ওজা অনা লায়েংবদা নত্তনা অইবা অমসুনি। পাউরৌ-পাউতাক্কী মরমদা লাইরিক ইবিখ্রে, মসিগী মথক্তা মনা-মশিংগী হীদাক্কী লায়েংবগী মরমদা ইবা লাইরিক ফোঙবিখ্রে। অমরোমদা মসিনসু ওইরম্বা য়াই হীদাক মচলশিং ইদুনা হীদাক্কী লিক্লি মচাশিংদুদা নম্বীদবগী মরমসু, অদুগী মথক্তা অনাবা য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংদুদসু হীদাক্কী মরমদা ইবা চেনা অমা পীবদুনসু ওইরমগদ্রা? হীদাকশিংসিগী এক্সপ্যারি অমদি অনাবা অমনা কয়াম শাংনা চাবা য়াবগে হায়বগী মতাং খঙজনীংবদি লৈ।

ওজাগী তোপ তোপ্পা গুনদি 'দান' তৌবসিনি। 'দান' হায়বসিদি নুংশিবদগী লাকপনি। নুংশিবা য়াওদবা তৌশিন্নবা দানদুদি মহয় লৈতে হায়নৈ। অতোন-অতা, অশোন-অনা কয়াবু ওজাগী থম্মোয় কয়াদা শেংনা নুংশিনা অঙম্বা 'দান' কয়া লেপ্তুনা তৌবিরিবসিমদি পুইন্যগী মশকনি। লেম্না খক মাঙলোই, তাইবঙ মপূনা উবিরমগনি। মতম শাংনা অশোন-অনাবু তেংবাংবিদুনা থৌগল তৌবিখো। ওজাগী পেসেন্ট অমা ওইনা লায়েংজরুবদগী নুংঙাইজমনখিদুনা ৱাহে খরসি ইজবনি, অখঙ অহে শাবা নত্তে, অশোয়বমখৈ ঙাকপীগনি।

অরোইবদা লায়েং পথাপ অসি য়োকখৎপা মথৌ তারে। হার্বেলিষ্ট মশীং হেনগৎহনবা মথৌ তাই। মখল কয়াগী পোল্যুসন্দগী মাঙখিবা য়াবা মেদিসনেল প্লান্ট কয়া নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা য়োকখৎপীননবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা মিৎয়েং চঙবীদুনা হার্বেলিজম চাওখৎহনবীবা তঙাইফদে।

# পুন্সি খোঙচৎ

- এম থম্বৌ -

**মীওইবা** ঐখোয় খুদিংমক শিবা নাইবা, লোইনা শিগদবা মীওইপোকনি হায়বসি কাউথোকপা মীওই কয়া ঙসিগী তাইবঙদা য়াওরিবনি। অসিগুম্বা অকাউ পরৈনরিবা অসিদা য়াওরিবা মীওই কয়া অসিগী মরক্তা ওইবা তাই হিংশাগী পুকচেল চেল্লিবসি। মীওইবগী পুন্সি তাঙ্কক অহুম থোক্না নৈনবা য়াই। অঙাং পীশক ওইরিঙৈ মমাগী নিংথাদগী হৌরগা মরুম থুপ্তুনা লৈবা মতম, মথোৎ কারকপা জোবনগী ৱাখল লাক্তুনা অপাম-নুংশিগী ইথিল ফাওরকপা মতম, অদুগা অরোইবা তাঙ্কক অসিদদি পুন্সি নুমিৎ তাগদবগী ঙাইদুনা লৈরম্লগদবনি। মতম অসিদা লাক্কদবা তুংগী খোঙচৎ য়েংউবদদি পুন্সি ঈচেল অসিদা তৌগদবা থবক্না য়াম্বা, মতম্না লৈত্রবা নোংমা নোংমগী পুন্সি মমি শাম্লকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী ইমা ইপাগী মরুম থুপলিঙৈদগী হৌরগা জোবনগী তাঙ্কক অসিনি য়াম্না চেকশিনগদবা মতম। তাঙ্কক অসিনি পুন্সি শেম্নবা ফত্তবা লম্বীদগী ঙাকথোক্তুনা অচুম্বা লম্বী থীবা মতম। ইমা ইপাগী মিৎয়েংখাদগী হেক লৈথোরকপদা তাইবঙগী অফ-ফত্তগী মশক খঙলগদবনি। অসিগুম্বা মতম অসিদনি ইশানা ইশাবু চেকশিঞ্জগদবা অমসুং শেন্নজগদবা। মসিদা চেকশিনহৌদ্রবা মী ওইবা ঙমদবা, মায় পাক্তবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অসুম্না তাঙ্কক অনীসিদা লান্না চৎখিবা মীওই অমফাও মায় পাকখিবা ঐখোয়না থেংনদে। অচৌবা মী মরক্তগী অথোইবা ওইখ্রিবা পুন্সি খোঙচৎতা মায় পাকখ্রিবা কয়াসি তাঙ্কক অসিগী মতমবু চুম্না চেকশিন্না থাংখিবা খোঙথাংগী মমি ঙাক্তনি।

পুন্সি লম্বী অসিদি তিঞ্জ্বং তুম্বৌতনা থনবনি, খোঙথাং খুদিং হৈনা শিংনা থাংদ্রবা পুন্সি লম্বী চৎপা য়ারোইদৌরিবনি। পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক্তি তাঙ্কক অনী অসিনা মায়ওন অমা লেপকদবা ওইবনা তাঙ্কক অনী অসিগী মতাং অসি য়াম্না চেকশিনগদবনি। মীওইবগী পুন্সি য়াম্না তেনবা অমসুং শাংবা অসি মাগী মাগী খোঙচৎনি। মীওইবদি ঙসি শিগনি পাউজেলদে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে। মসি খঙদবা কাঙবুনা মশাবু ওমর খুভমগী মওংদা লৈদুনা পুন্সিবু করিসু থৌশাদে। অদুনা মরম ওইরগা ফৎতবা হৈনবী কয়ানা লৈপাক্কী শান্তি কায়নবা মখল কয়াগী ক্রাইম কয়া চথরকখি। মালেম তাইবঙপাল অসি লীলাগী ফম্পাক অমনি। মীওই খুদিং, নুপী-অঙাং য়াওনা লিলাগী লিলারোই ঙাক্তনি। লিলাগী ফত্তবা রোল লৌরিবা মীওইবু কনানা পাম্নবগে? অফবা রোল লৌরিবা লিলারোই অদুবু পাম্নবা ঙাক্তনি। অদুবু তাইবঙ লিলাদি অফবা লিলারোই ঙাক্তা ওইহনবা য়াই। মালেমদা অথোইবা ওইখিবা মীওই কয়া পুন্সি তেনখিবা ঐখোয়না থেংনৈ। অদুগুম্বা মীওইশিংগী মরক্তা চৈত্যানা মহাপ্রভু কুমজা ১৪০৭তা পোকখি অদুগা কুমজা ১৪৫৫দা তাইবংপালদা থাদোকখি। মহাক শুপ্নগী মশাগী চহী ৪৮খক্তা পুনশিরমখি। অদুবু মহাক মশানা ধর্ম্ম অমদি থবক্কী মরমদা মীওইবগী লম্বী কয়া য়াৎপীদুনা অফবা পাউজেল কয়াবু পীবিদুনা তাইবঙবু মমিৎ পাঙহন্দুনা ঙসি ফাওবা মহাকপু শক্না শোন্নরিবনি।

মীওইবা কয়ানা অচুম্বা অমদি অফবা থবক কয়ানা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অমদি তুংগী মীরোলগীদমক অফবা লমদম অমগী মঙ মঙদুনা ফত্তবা থবক্তগী নাথৈনবা হোৎনফম থোকই। মসি খন্থবা ঙমদ্রবা মীওই অদুদি কান্নদ্রবা, পোকপগী মহে য়ান্দ্রবা মীওই ওইনা লৌবদা অকায়বা লৈররোই। অদুনা ঐখোয়গী ক্রাইম কয়া মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অসি তশেংনা ধর্ম্ম হায়বা অসি ৱাৎলকপদগীনি। ধর্ম্ম হায়বা অসিদা মীগী মাঙনবা তৌদবা অঙম্বা খরদা মীয়ামগী অমদি পুকচেল শেংনা কৎথোকপগা লোয়ননা হৌখিবা অথোইবা মীওইপোক কয়াবু নীংশিংদুনা ফত্তবা কয়াবু পুন্সি খোঙচৎ অসিদগী থাপ্পা তাম্থোক্তুনা অফবা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা অচুম্বা পুন্সি খোঙচৎ অমা চৎপা ঙম্নবা পূন্না হোৎনফম থোক্লে হায়বা অসি ঐখোয় খুদিং কাউফদে। অদুনা অতেনবা মতম ওইসনু তৌরম্বা থবক খরদু লেংদনা লৈহৌবা ঙম্নবা হোৎনরসি হায়বা অসিসু মীয়ামদা থমজরি।

মরোল থোকপা লাই

